# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসর এন লোকেন্দ্র অমসুং মহৈকোল অসিগী রেজিষ্ট্রার অমদি দিন অহুম্না গভর্ণরগা রাজ ভবনদা উনদুনা মহৈকোল অসিগী কনভোকেশন থৌরমদা শরুক য়াবীনবা চেবাউ খূৎশিন্নবা


থম্মোয় পাউদম : অচুম্বা মশক খঙনবা পাম্বৈ... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ চেঙ মরূ অমদগী হেন্না পীকপা, মালেমগী খ্বাইদগী..

"ইরমদম কনবগী ফিরেপ চেৎশিনহনবা" ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ ফোরেন কন্ত্রিদা চত্নুনা থবক তৌবনা ইন্দিয়া অমদি...

টেররিষ্টশিংনা এটেক তৌরকপা য়াই হায়বগী... ☛ লামায় ৯

লামায় ১১ ☛ পৌলিনলোং অমসুং জিবননা গোল্ড মেদল লৌখ্রে


লল্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইখিবা এম পি সী সীগী মেম্বর অচোইবম দেবেননা জোর্দানদা পাঙথোকপা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখ্রবা শান্নরোয় অহুম্বু তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎপা




Vol. 49, Issue No. 041 | য়ুমশকৈশা, কালেনগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, May 07, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# বি জে পিগী নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ সম্বিত পাত্র হনখ্রে

## পি আর থুপচিল্লগা লৈঙাক শেম্বগী ৱাফম অমত্তা পল্লমদ্রে

কোটু অমসুং কুকিগী লূপশিংনা 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' গী দিমান্দ নৌহৌননা তাল্লকখ্রে, হায়ৰেশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট তৌহল্লোই অমসুং অনীশুবা রাউন্দগী মীফমদা মীতৈশিংগী ৱারেপ্পবা ঙম্বা সী এস ও য়াওরবদি 'সেসেশন ওফ হোষ্টিলিটিজ' গী খূৎয়েক পীনরগা দাইলোগ চথবা য়াগনি হায়না সম্বিত পাত্রদা খঙহনখ্রে



চীংগী সী এস ও অমনা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা লাক্লম্বা সম্বিত পাত্রদা মেমোরেন্দম পীশিনবা (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা ঙরাং অয়ুক ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা বি জে পিগী লোক সভাগী এম পিসু ওইরিবা নোর্থ ইষ্টকী ইন চার্জ সম্বিত পাত্র ঙরাং অহিং ইম্ফালদা লেল্লগা ঙসি কাংপোকপীদা চৎতুনা এম এল এ নেমচা কিপগেন অমদি কাংপোকপীদা বেজ তৌবা কম্মিটি ওন ট্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) য়াওনা কুকি-জো ফুরুপকী সী এস ওশিংগী লুচিংবশিংগা উনরল্লবা মতুংদা অনৌবা মণিপুরগী লৈঙাক অমা শেম্বগী ৱাফম অমত্তা কাংথোক্লমদনা হনখ্রে।

মমাঙ থাগী ২৯দা বি জে পিগী এম এল এ ১৩, এন পি এফ অমসুং এন পি পিগী এম এল এ ৩/৩ অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ২ পূন্না এম এল এ ২১না খূৎয়েক পীদুনা মণিপুরদা মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈহনবীনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা তকশিনখিবদগী সম্বিত পাত্রগী নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎ অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ইন্দিয়াগা পাকিষ্টানগা লান শোক্লরগদ্রা হায়বগী মীপাইবা

# ঙসি ইন্দিয়াগী মফম ২৫৯দা পাঙথোক্কদবা 'মোক ড্রিল' গী মনুং চন্না মণিপুরগী মফম ৫দসু পাঙথোক্কদৌরি

নুংথিলদা ফায়র সর্ভিসনা খ্বাইদগী হৌবা 'ইমর্জেন্সি সাইরেন' খোংগনি, মোক ড্রিলগী মনুং চন্না বোম পোকখায়বদা অশোক অপন য়াওবশিং লায়েংগনি, চাক্লকপা মৈ ফায়র সর্ভিসনা মূখৎকনি



মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী দিরেক্টরগী মীৎয়েং মখাদা খোংনবা শেম শাখিবা সাইরেন

**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ২২গী নুংথিলদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পহলগাম চীংথক্তা লৈবা বৈসরন টুরিষ্ট স্পোটতা পাকিষ্টানদা বেজ তৌবা লাস্কর-ঈ-টাইবগী টেররিষ্টশিংনা মীওই ২৬ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলম্বদগী লৈবাক অসিগা য়ুমথংনরিবা পাকিষ্টানগগী মরক্তা খম থেংনা উংখৎনরকপদগী ঙরাং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা পীবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না দিরেক্টোরেট জেনরেল ফায়র সর্ভিস, সিভিল দিফেন্স এন্দ হোম গার্দসকী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পুম্নমক্তা পীখিবা পাউতাক্কী মতুংইন্না হয়েং মফম ২৫৯দা পাঙথোক্কদবা মোক ড্রিলগী মনুং চন্না মণিপুরগীসু মফম মঙাদা পাঙথোক্লবা শেম শাবা পুম্নমক লোইখ্রে।

মণিপুরদা পাঙথোক্কদবা হয়েংগী মোক দ্রিল অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী দিরেক্টর লাইশ্রম নবচন্দ্রগা ঙসি নুমিদাংৱাইরম শানখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ঙসিদগী সেনাপতিদা নাগা কনক্লেভ-২

**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :**

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না শীন্দুনা হয়েংদগী হৌরদুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা নুমিৎ মরিনিগী 'নাগা কনক্লেভ-২' পাঙথোক্কদৌরি। কনক্লেভ অসি নাগা ৱিমেন য়ুনিয়ন অমসুং অন্সমনসু শৌগৎতুনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি। অহৌবা নুমিৎতা য়ু এন সীগী প্রসিদেন্ট এন জি লোরহোনা ৱা ঙাঙগদৌরি।

## কাপশিন্দুনা শিজগে তৌরম্লে

**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :**

নোনে পি এসনা কোনবা থাঙতেক খুলদা লৈবা ৮৬-সী আর পি এফ 'বি' কোইগী হেদ কন্সটেবল এলাংখাংপোকপী মখা লৈকায়দগী দল্লিয়ু বোরবাবু, অপোকপা ইবোবী কৌবা পর্সনেল অমা ঙরাং অয়ুক অঙনবা পুং ৩.৪৫ রোম তারকপদা মশাগী সর্ভিস রাইফলনা কাপশিঞ্জদুনা শিজনবা হোৎনরম্লে হায়রি।

## য়ু জি মঙা ফারে

**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুলিস কন্ত্রোল রুমনা থোরকপা চেরোল অমদা য়ু জি গ্রুপ অমগী অন্দ্রো খারম লৈকায়দগী য়ুমখাইবম ননাও এলিয়জ পারিহন (২৭) অমসুং অন্দ্রো সনাপাৎতগী চীংঙাখম নোরেনকুমার এলিয়জ কোরৌঙানবা (২৮) কৌবা কাদর অনী অন্দ্রো খুমন চীংথক্তগী মোবাইল ফোন অনীগা কোন্ননা ফারে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## 'নোট টু বি ট্রাঞ্জেক্টেদ' হায়রম্বা কার ফারে

**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :** ঙসি মণিপুর পুলিস ট্রাফিক কন্ত্রোল ৱিংনা টিদ্দিম লম্বীগী এয়রপোর্ট গেটতা অখন্নবা দ্রাইভ অমা চথবদা কোলকটাগী লাল বজারদা লৈবা এন্টি-মোটোর থেফ্ট স্কৱাদকী মায়কৈদগী ৱেষ্ট বেঙ্গল লৈঙাক্লা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কে সী পিগী 'লান্থেংমিন্নসি ঐখোয়' ফোঙখ্রে




**ইম্ফাল, মে ০৬ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি) গী সেক্রেটরি ইন-চার্জ (ইনফোর্মেশন এন্দ পব্লিসিটি) এস মঙালনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# ইশা য়াওনা লৈঙাকপশিং, সী এস ওশিং, খঙবসু-খঙদবসু পূনশিল্লগা চঙশিনগদবা মতমনি : লৈশেম্বা

মহারাজ নরসিংহনা তৌরম্বশিং হৌজিক মচেৎ অমত্তা ওইরবসু তৌবা ঙম্লবদি য়াম্না ফগনি : আর কে রঞ্জন



**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :**

ঐখোয় হৌজিক করি তৌগদগে হায়দুনা খনগদবা মতমনি হায়রদুনা ঐহাক ইশা য়াওনা লৈঙাক্লোইশিং, লৈবাক্কী চেল্লি-চোংলিবা সী এস ও ময়াম অমসুং অখঙবসু-খঙদবসু পূনশিল্লগা চঙশিনগদবা মতমনি হায়না রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহারাজ নরসিংহ মেমোরিএল কম্মিটি (ইম্ফাল) না পুরানা রাজবারি (নোংমৈবুং) দা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিনাথ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# বি জে পি লৈঙাক্লা লল্লাই এ সীদা লায়রবগী মশীং হেনগৎহল্লম্লে : অচোইবম দেবেন

**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস) :** ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫গী নুংথিলদা ফম থাদোক্ত্রিঙৈ ফাওবদা লৈরমখিবা বি জে পিগী লৈঙাক্লা লল্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা লায়রবগী মশীং হেনগৎহল্লম্লে অমসুং মপুরোইবা কায়নরবী নুপীশিংগী মশীং হেনগৎহল্লম্বগা লোয়ননা লম্বী থোংগী ফীভমসু অসুক্কী মতিক ফৎহল্লমদ্রে, শেল-থুমগী ফীভম শোকচিলহল্লম্লে, শেন্মীৎলোন্দা দাউন চৎলে হায়বগা লোয়ননা শান্ন-খোৎনবদা গোল্ড মেদল লৌরক্কদবা ইচাশিংনা হায়রিবা মেদল অসি লৌবা ঙমদ্রে, ব্রোঞ্জ মেদল ওইনা লৌরগা লাক্লে হায়না মরাল শীখ্রে।


ৱাফম অসি এম পি সী সীগী মেম্বরসু ওইরিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা এ সী অসিদা কোংগ্রেস মীরেপ ওইখিবা অচোইবম দেবেননা ফোঙদোকখিবনি।

লল্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লান অসিনা মরম ওইরদুনা রেদ জোনগী মনুং চল্লিবা থম্নাপোকপীদগী শান্নরোয় অনী য়াওনা লল্লাই ময়ায় লৈকায়দগী শান্নরোয় অমনা মমাঙ থাগী ১৭তগী হৌরক্লগা থা অসিগী ১ ফাওবা জোর্দানগী অম্মানদা চথখিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ (য়ু-১৫/১৭) তা শরুক য়ারুবদা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল অমমম ফংলকখ্রবা শান্নরোয় অহুম ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক মশানা শীন্দুনা লল্লাই ময়ায় লৈকায়দা পাঙথোকখিবা থৌরমদা চেম্পিয়নশিপ অসিদা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবী থম্নাপোকপীদগী মিস্কি মৈনম চনু অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবী লিস্থোইচনু য়াওনা লল্লাইদগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংলখ্রবা এম অম্বেদকরবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা মখোয়গী তুংগী করিয়রগীদমক মখোয়গী অহল-লমনশিংবুসু লেংয়ান ফি অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# রিজুবিনেশনননা নাথৈরব্রা : নম্বুল তুরেলগী ঈশিং মোৎহনবদা লম্ফেলপাৎলোমদগী চেন্থরকপা ঈশিং য়াওরম্লে

বিজয় লাইশ্রম



**ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচএনএস):**

চহী খরগী মমাঙদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মোৎপা তুরেলশিং খনগৎপদা নম্বুল তুরেলসু য়াওরে হায়না তাখিবগা লোয়ননা তুরেল অসিবু শেংদোক-চামথোক্তুনা মশক ফজহন্নবগীদমক রিজুবিনেশনগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা তুরেল অসিগী ঈশিং মোৎশিলহনবদা লম্ফেলপাৎলোমদগী চেন্থরকপা মুশিন মুবা ঈশিং য়াওরম্বা থেংনরে।

তশেংনমক নম্বুল তুরেলগী ঈশিং শীজিন্নদ্রিবা মফমশিংসি শুপ্নতগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল মনাক্কী খ্বাই ব্রিদজ অমসুং মহারানি থোংদগী হৌরগা কৈশামথোং ফাওবদংনি হায়বা য়াই। উরিপোক অমসুং শগোলবন্দ অনীগী কারক্তা খ্বাই ব্রিদজ ফাওবগী শরুক্তদি ...মখা লমায় ৮ কলম ১


Resolve your court cases & other legal matters through

National Lok Adalat

Lok Adalat is also known as People's Court where parties have an opportunity to directly take part in the resolution of the disputes amicably. Formal rules of procedures and evidence are not applied.

A settlement through a Lok Adalat is completely voluntary and is a final settlement of your case. There is no appeal against the decision of a Lok Adalat. It is absolutely free.

Saturday 10th May, 2025

Contacts

| | |
|---|---|
| MASLSA | : +91-9436239666 |
| HCLSC | : +91-6009904973 |
| Imphal West | : +91-6009904967 |
| Imphal East | : +91-6009904974 |
| Bishnupur | : +91-6009904968 |
| Thoubal | : +91-6009904965 |
| Ukhrul | : +91-6009904972 |
| Chandel | : +91-6009904966 |
| Senapati | : +91-6009904969 |
| Churachandpur | : +91-6009904970 |
| Tamenglong | : +91-6009904971 |

CASES Suited for Lok Adalat

- Cases under Section 138 NI Act
- Land Acquisition cases pending before courts/tribunals
- Electricity, Water Bills and other bill payments (excluding non-compoundable)
- Money/Bank Loan Recovery
- Family Maintenance Cases
- Motor Accidental Claims
- Criminal Compoundable Offences
- Matrimonial disputes (except divorce)
- Other civil cases
- Labour, Employment and Service Matters
- Revenue cases

Issued in public interest by:
Manipur State Legal Services Authority
Under the aegis of National Legal Services Authority
ADR BUILDING, LAMPHEL COURT COMPLEX, LAMPHELPAT-795004
+91-9436239666 maslsa.imphal@gmail.com

HL-P/9504/4,5,7,9